# “সনা লৈবাক মণিপুরসিদা”

### ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি


**উশম ধরমেন্দ্র**




মসিনি ঐখোয়গী সনা লৈবাক মণিপুর। সনা লৈবাক মণিপুরসিদা ঙসিগী চাওখৎলে হায়রিবা মালেম পৃথিবীসিদা থোকহৈদবা তাবদা তুজুংলবা থৌদোক ৱাথোক কয়া থোকই। ইমুং অমগী মীওই তরুক মবোক অমা, মচানুপী অনী, মচানুপী অনীদুগী মচা অহুম থা নিপালখক্তা ঙাইরিবা অমসুং চহী অনীমখায়গী অঙাং পূন্না মখোয় তরুকপু কুকি নার্কো টেররিষ্ট কাঙবুনা ফাখ্রগা তমথীনা ওৎ নৈবীরবা মতুংদা বরাক তুরেলদা থাদরকখিবা, জিরিবামগী জাকুরাধোরগী মীহাৎ কুমজা ২০২৪গী নবেম্বর ১১। মী অমা ওইবগী মীনুংশি মচেৎ অমত্তা য়াওদবা অদুগী মথক্তা নুপীঅমসুং তাইবঙ মীরোল তাদ্রিবা অঙাং য়াওনা হাৎতোকপীবা থৌদোক অমগী মথক্তা থৌদোক অমা। মদুনা মরম ওইরগা লৈবাক পুঙজাও থিনখিবা ইন্টরনেট সর্ভিস থিংজিনখিবা, নুমিৎ কয়ানি মহে তমজরিবা মহেরোয় য়াওনা করবাররালাশিং, মখল খুদিংগী মীওইশিংদা অকায়বা পীখিবা থৌদোক্তুসু অদুমক কাউখি মথংগী থৌদোক অমা থোকচিল্লকপদা। শকউদবা ফত্তবা লাই অমনা মণিপুরসি থোকহন্নীংবা ঈরাং থোকহন্নীংবা মতমদা থোকহনবা ঙম্মী হায়বগী থৌদৌনি লৈরিবসি।

চৎলিবা চহীসিগী হৌখিবা এপ্রিল ৬ অমসুং ৭কী লোন্নবা অহিংদা ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায়দা পীক্লিবা অঙাং অনী ওইনাম তোমথিন (৫) অমসুং মহাক্কী মচন্নুপী থা মঙা খক্তা শুরিবী ওইনাম য়াইসনাবু মমাগী মথাদা নুংঙাইনা তূমখুল তাঞ্জরিঙৈদা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা বোম কাপশিন্দুনা তমথীনা হাৎতোকপীখি। মীপূম খুদিংমক্লা থোইদোক্লা মমা ওইবীশিংনা থৌদোক্তুগী পাউ তাবদা থম্মোয় কায়নখি। মমাগী মথানুংদগী ফাওবা মীতৈশিংগী পূন্সি সেফটি ওইদ্রবনি। কয়াদা তোনখ্রবা মীতৈশিং। আর্মিগী কেম্পতগী মাঙখিবা লাইশ্রম কমলবাবুগী মরী মখোঙ খঙখিদ্রবনি। ওন্থোকপা ফীভম অমদনি মীতৈশিংনা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা থোকহনখিবা মে ৩,২০২৩দগী ঙসি ফাওবদা হিংলক্লিবা পূন্সি মরেলসি। ষ্টেটসিদা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা থোকহল্লিবা মীহাৎ-মীপূনগী থবকসি অঙকপনি। য়ামখ্রবা ষ্টেট লৈঙাকসিগী ফোর্সশিং অসিনা ঈরাংসি করিসু লাকশিনবা ঙমদনা লাক্লি। ষ্টেট ফোর্সশিংনা ঈরাং লাকশিনবা ঙমদ্রগনা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংগী মতেং লৌদুনা নহান্না ঈরাংসি কন্ট্রোল তৌগদবনি। মদুসু তৌদে। অসুম্না কুকি নার্কো টেররিষ্টশিং অসিনা তৌবা থবক্তা ফ্রী থাদুনা লাক্লি।

মণিপুরগী চীংগী লমশিংদা নাগা অমসুং কুকিশিংগী মরক্তা য়েংথিনবগী চাং অসুম অসুম হেঙ্গৎলক্লি। কুমজা ১৯৯২দগী কুমজা ১৯৯৭ ফাওবদা চথখিবা নাগা অমদি কুকিশিংগী লানদা কুকিশিংগী মীওই মশীং য়াম্না শিখ্রবসু নাগাশিংনা খুন্দারম্বা মণিপুরগী খা নোংপোক্তা লরিবা মোরে টাউনগীদি কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা নাগাশিংবু মপূং ফানা তান্থোকখিদুনা বিজিনেস সেন্টর অমা ওইরিবা মোরে টাউন কুকি টেররিষ্টশিংগী কন্ট্রোল মখাদা লৈহৌখি। নাগাশিং মখোয়না তান্থোকখ্রবা মতুংদা হন্দক্কী কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা নমদুনা থোকহনখিবা লান অসিদগীদি মীতৈশিংবু মোরেদগী, চুড়াচান্দপুরদগী, কাংপোকপীদগী অমুক হঞ্জিনবা ঙম্লরোইদবা মওংদা তান্থোকপীরক্লে। চহী অহুম হেনখ্রবা কুকি টেররিষ্টশিংনা নমদুনা থোকহনখিবা লানসিগী খোঙচৎসি য়েংলুরগদি মীতৈশিংনা মশানা হান্না খুন্দাজরম্বা মথক্তা পঞ্জখ্রিবা মফম অহুমসিদা অমুক খুন্দা লৈতাহনবগী ৱাফমদুদি থাজবগী ৱাংমদা লৈখ্রে। নুংঙাইতে ঈরাংসি থোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদদি মোরে টাউনগী মপাউ লৈশাংথেম ব্রোজেননা অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭.৩০ লোইরগা দিষ্ট্রিক্ট ন্যুজ লেট্টরগী শরুক্তা মীয়ামদা তাহল্লম্বনি। ঙসিদি পূম্নমক্তু মতম অমগী ৱারী ওইহৌরে। মীয়াম্না খঞ্জবা মীহুৎশিংনা লৈঙাকপনি হায়রিবা মীতৈ লৈঙাক্লা মীয়ামগী স্বর্থদা থবক তৌরক্তবসি লাইবক থীবনি। হায়রুরগনা মতম চঙখিগনি হায়রক্কনি।

মণিপুর তম্পাক্তি ঐখোয়গী খূৎতা লৈরে অদুনা চীংদা খুন্দারিবা য়েলহৌমী নাগাশিংদা অমুক অকনবা এটেক তৌদুনা ঐখোয়গী লম কলহৌনবা, মণিপুরবু মচেৎ অহুম থোক্লা থুগাইরগা ঐখোয়গী হোমলেন্দ শেমগৎহৌনবা নাগাশিংদা লান্দারসে হায়দুনা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা অকনবা মওংদা চীংদা ঈরাং হৌরি। ৱাই খেমচান্দনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর হেক ওইবগা নুমিৎ হুম্নি মরিনি লৈরগা থোকহল্লকখিবা ঈরাং ঙসি ঙসিমকসু লেঙদনা থোকহল্লি। চহীসিগী মে ১৩দা থাদৌ বেপটিষ্ট চর্চকী লুচিংবা অহুম কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা কোটলেন অমসুং কোটজিম মরক্তা লৈবা জিরো পোইন্টদা এম্বুশ তৌদুনা হাৎতোকখিবদগী মতুং তারকপদনি ষ্টেটসিদা অঙকপা মখলগী ঈরাং লাকখ্রিবসি। মীয়াম্না উন্নখ্রে ফাজিনখিবা কুকিগী মীওইশিং পূন্না ১৪ নাগাশিংনা জুন ৯,২০২৬তা তেক্ত-কায়দনা থাদোকপীরকখি। মখোয়বু নীংথিজনা পীজ-পীথক তৌই হায়দুনসু মখোয়না প্রেস মীদিয়াদা ফোঙদোকখি। মীয়াম্না উবদসু মখোয় কুকি ১৪দু মশা-মউ খিং-খিং লাউনা উন্নখি। অদুবু লাইবক থীবদি জুন ১০,২০২৬তা মণিপুর পুলিস, সেন্ট্রেল রিজার্ভ পুলিস ফোর্স অমসুং অসাম রাইফলসকী অপূনবা ফোর্সনা স্নাইফর দোগ অমসুং ফোরেন্সিক এক্সপার্ট টিম শীজিন্নদুনা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা ফাজিনখিবা লিয়াংমৈ নাগা তরুক্কী খোঙ্গুল লীবদা কোন্সাখুল অমসুং লৈলোন ভাইফৈগী মফম অমদগী মকক মকক ককথৎপীরবা পুমথরবা হকচাং ওইনা ফংখি। কয়াদা খেন্নখ্রবা কুকি অমসুং নাগা ফূরুপ অনীগী পুকচেলনো। লমলক্কী শাদগীসু হেন্না তমথীবা কুকিশিংগী পুকচেলনি। অমুকসু ফাজিনখ্রগা তমথীনা হাৎতোকপীখ্রবা লিয়াংমৈ নাগাশিংদুগী হকচাং শরুক কুকিশিংনা ফাজিনখিবা লিয়াংমৈ নাগা নুপীশিংদা থোংদুনা পীজখি হায়বগী ৱাফম লাক্লি। কয়াদা চাওখৎতবা মীওই কাঙলূপনো কুকি নার্কো টেররিষ্টশিং অসি। মখোয়না তৌবা থবক্তা খঙশিন উশিন্নদনা লৈরিবা ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক অসিসু খ্বাইদগী অঙকপা পুকচেল পীকপা অমনি। মে ৩,২০২৩গী লানসিগী হৌগৎলকপা শরুক্তা কুকি নুপী অনী নেকেদ পেরদ তৌহল্লি হায়বগী ৱাহৌদা মীতৈশিংবু শাউনা চৈখিবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা লমদমসিদা চথরিবা তমথীরবা মীহাৎশিংসিদি করিমত্তা উদ্রবরা-খঙদ্রবরা হংনীংই।

লোইশিল্লকপদা, পিকখ্রবা মণিপুর মীয়ামগী পূন্সি খোঙচৎ কায়রে। কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা তৌনীং তৌনীংবা তৌদুনা লৈরে। মীচম মীয়াম মীনুংশি য়াওদনা মকক মকক কক্তুনা হাৎলে। পূম্নমকসিদা ষ্টেট লৈঙাক্লা কুকিশিংগী মথক্তা অকনবা মিলিটরিগী দ্রাইভ চথুদুনা টেররিষ্টশিং অসিবু লাকশিনবসু ঙমদ্রে। লমদমসিদা মীচম মীয়াম্বু ঙাকপী শেনবীনবা লৈঙাক লৈত্রে। নঙগী নঙগী নরাইবক য়েংনা হিংজরো হায়বগী ফীভমদা লৈরে। চীংগী ম্যান্মারগা তাইনবা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী খুলশিংদা ম্যান্মার লোমদগী কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা হাইজিল্লক্তুনা মীচম মীয়াম ঙাইহাক লৈতনা লাঞ্জেন্নহল্লে। অথুবা মতমগী মনুংদা ষ্টেট লৈঙাক্লা মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাংশিং সেন্ট্রেল লৈঙাক্কা খূৎশম্নরগা লোইশিন্নবা হোৎনগদবনি। সনা লৈবাক মণিপুরসিদা মীচম মীয়াম ঐখোয় হিংবদা য়াম্না ৱারে হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

# অচুম্বনা মায় পাকই হায়বসিদি লেঙদবনি


**- রঞ্জিৎ নিংথৌজা -**




য়াম্না হৈ-শিংইদা হায়বসিদা অরানবা মচেৎ খরদি ইরোইতা লোয়নৈ। ইপং পংনা ইচম চম্না হিংবা পূন্সি হায়নরিবসি অশেংবা অচুম্বদা য়ূম্ফম ওইবা পূন্সি মহিং অসিনি। মপুদগী মনাইনা হেন্না শিংবদুদি নত্তে। মপুনা নুংশিনা খঙশিন্নদা-উশিন্নদা অৱা-নুংঙাই খরতসু পাংবীরি খন্না য়ানা য়ানবা হিংমিন্নবগী ৱানি। হূইসি মপু নীংবা শানি। হূইনা মপু নীংলিবসি অয়ূক্কী নুমিদাংগী মবুক থাকপীবা অদুগী ওইবা য়াই। হৌদোংসু অদুমঙাই। মপুগী চাক্লুক মনাক্তা ইতুক তুথনা কুল্লিবদু মপু মাবু নুংশিনা শংবা নত্তে, মপুগী চাক্লুক্তগী মরূ মরাং হুনে দারকপা খরদু ঙাইরিবনি। শুক্কানমক কান্নদে হায়বদি য়াদে। শরিৎ-শরাৎ হৈবা হৌদোংনা ঊচিতসু মফারি। তুম্বা ফত্তবা হূইনা হুরান চিন্থি, মীতোপ চঙবতসু খোঙলি। লমলানবা কনা অমা লাকই হায়বতসু খঙহল্লি। হূইনা নৎত্রগা হৌদোংদুনা মপুদা ওনশিল্লক্লবদি মপুগী নাক্তগী মখোয়বু তান্থোকপা নৎত্রগা লোইশিনখিবা হায়বসি মহৌশাদগী চৎনবী ওইদুনা লাকই।

লৈবাক অসিদা মপু অমদি মনাইগী ৱাফম ইতৎ তত্তনা ঙাঙনরিবসি মপু-মনাই অনীগী মরক্তা ওন্ন-তৈনবা লীচৎ চৎনরকপদগীনি করম্না হায়রোইদগে। পৃথিবী অসিমক থৱায় পানবশিংগী অমত্তা ঙাইরবা য়ূমনি। খুন্দা-লৈতাবা হৈনরকপা অমদি চাওখৎপা হায়বা থাক অসিগী মতুংইন্না শাগুম ঙাগুম পংলৈ লৈরম্বা শা মখল অমনা মীওইবা ওইরক্তুনা তাইবঙগী মপু ওইবা ঙল্লিবনি। মীওইবনা মহৌশাগী পোৎলম খুদিংমক শীজিন্ননীংবা মওংদা শীজিন্নদুনা নুংঙাই-য়াইফনা হিংনবা হোৎনৈ। মীওইবনা মশীং য়ামদ্রিঙৈদা ঈপাক পাকপা তাইবঙ ফম্পাকসিদা ৱাখল লৌশিং মাঙ থারবা মীওইবা খরনা লমদম কয়া খুদুম চন্দুনা, মমিং থোন্দুনা কান্নবা লৌবা অসিবু লোয়লম শন্দোকপা হায়না খঙনরি। ভাস্কো দে গমানা কুমজা ১৪৯৮দা য়ুরোপতগী ইন্দিয়া য়ৌনবা লম্বী পুথোকখি। কায়নথংদা য়ুরোপকী লল্লোনবশিং ইন্দিয়া য়ৌরকই। ইষ্ট ইন্দিয়া কম্পনি কুমজা ১৬০০দা লিংখি। ১৮৭৪দা মূথৎখি। আমেরিকা অসি চহী লিশীং ১৫দগী ৩০ অদুৱাইদা এসিয়ারোমদগী থুংলখিবা য়েলহৌ ফূরুপশিংনা ইহান হান্না পুথোকখি। কলম্বসনা ১৪৯২, মে ৪দা পুথোকই।

লমদম অমা করম্না মালেমগী মীয়াম্না খঙনবা নৎত্রগা মমিং থোনখিবা হায়বসি হিষ্টরিয়নশিংগী মথৌ ওইজরবসু মীওইবা অমা ওইনা খঙফম থোকপা খরদি নৈনবা তারকই। লাকচনীংলিবদি লৈবাক অমদা মীওই কাঙলূপ অনী লৈ। হান্না লৈরম্বা হায়বা অমগা কোন্না লাকপা হায়বা অমগা। কোন্না লাকপনা হান্না লৈরম্বা কাঙলূপ অদুবু নমথনবা হোৎনরবদি শোয়দনা লান থোকই। লল্লোন ইতিককী মিংদা লাকখিবা বৃটিশকী ইষ্ট ইন্দিয়া কম্পনি অদুগী মরুমদা ইন্দিয়াগী নিংথৌ পাঞ্জরম্বা লৈবাক মচা মচাশিংবু মখোয়গী খূবাম্নুংদা থম্নবা হোৎনবগী তমথীরবা মশক অমা হিষ্ট্রিগী লেশন কয়াদা তম্নরি। বৃটিশকী মখাদা ইন্দিয়া লৈখি। লৈঙাক অদুবু বৃটিশ ইন্দিয়া হায়রগা খঙনরি। লৈকুৎ-লৈরাইগী পূন্সি ওইনা হিংলম্বা, শুপ্নম শাসনগী নিংথৌ পানবা লৈঙাক্তু হোংদোক্লবসু ইন্দিয়াগী য়েলহৌ মীয়ামগীদি মীখা পোনবা ওইখি। নীংতম্নবা খোঙচৎ কয়া চংশিল্লকই। মরৈবাক নীংবা ইন্দিয়া মচা কয়ানা নীংতম্বা ইন্দিয়া ফংনবা মথ্বায় থাখি। মসিগা মান্নবদা নিংথৌ পাল্লম্বা লৈবাক ওইজরম্বা মণিপুরসু বৃটিশ ইন্দিয়াগী মখা পোনখি। লমদম অসিগী নীং তমজরম্বা অদু কন্নবা হোৎনবদা লৈবাক অসিগী মপারি কয়া নোক্লা ফাঁসি শগাই কাখি। মমৈদা বৃটিশ তান্থোকখি। নীংতম্বা ইন্দিয়া ওইখি। মণিপুরসু ইন্দিয়াগী অপূনবদা য়াওখি।

মসি অচুম্বনা মমৈদা মায় পাকপগী ময়েক লারবা খুদমনি। ইন্দিয়াদগী বৃটিশ চৎখি। ইন্দিয়াগী চাওখৎ থৌরাং কয়া বৃটিশ লৈঙাক্লা তন্বীরম্বনি হায়বদা লাল্লোই। অপূনবা ইন্দিয়া শাগৎপদা ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুশন অসিনা য়াংলেন শরূ ওইখি। অপূনবা ইন্দিয়াগী খঙথোই হৈথোইরবা মীওই ৭না কন্সটিট্যুশন অসি শেমখি। (1) Dr. B.R. Ambedkar (Chairman) (2) N. Gopalswami Ayyengar (3) Alladi Krishnaswami Ayyar (4) Dr. K.M. Murshi (5) Syed Mohmmed Saadulla (6) N. Madhava Rao (7) T.T. Krishnamachari হায়রিবা মীওই ৭ অসিগী কম্মিটিনা শেল্লম্বা দ্রাফ্ট রিপোর্ট অসি ওক্টোবর ২১,১৯৪৮দা পুথোকখি। ১৯৫০গী জন্যুৱারী ২৬তগী চৎনবা হৌখি। কন্সটিট্যুশন অসিগী য়াংলেন শরূসু অচুম্বনা মমৈদা মায় পাকই হায়বসিনি।

তপ্পা অমদি থুবদি হায়বা ঙমদ্রবসু ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুশননা অরানববু চৈরাক পীদনা খক তোকখিদ্রি। কন্সটিট্যুশন অসিগী প্রেএম্বলদা য়েলহৌ ফূরুপ পূম্নমক, লাইনীংগী শক চুগী খেন্নবা থমদনা মান্নবা হক ফংমিন্নগনি হায়বসিনা ৱামাঙ য়াল্লিবনি। খরা হেন্না শোত্থবশিংগীদমক সেদ্যুল থমদুনা অহেনবা খুদোংচাবা পীরি। পূন্না হিংমিন্নবা অকনবনা অশোনববু নৈহৎ-তুহৎপীদবা, অশোনববু য়োকখৎপীবা হায়বা ফজরবা লৈঙাক সিষ্টম অদুদা মণিপুরগী মাঙ থাখ্রবা ইপা ইপুশিং অদুনা থাজবা থমখি। বৃটিশ ইন্দিয়ানা মরমদম বৃটেনদা হনখ্রবদা ১৯৪৭কী ওগষ্টতা মরোমদোম লেপচদুনা মশাগী চৎন-কাঙলোন শেমজরবা লৈবাক অসিনা দেমোক্রেসি লৈঙাক্তা হিংজবা হৌখি। অদুবু অপূনবা ইন্দিয়া হায়বসিদা হেন্না কনবা, হেন্না চাওখৎমিন্নবগী ৱাখল্লোন্দা ঙসিদি লমদম অসিসু ইন্দিয়া ওইরিবনি।

লমদম অসিগী কলচর, শান্ন-খোৎনবনা ইন্দিয়াবু মালেমদা শক তাকপগী থৌদাং কয়া শরুক য়াদুনা লাকই। শেংনা হায়রবদা মণিপুর ইন্দিয়াগী মাঙবা য়াদ্রবা ষ্টেট অমা ওইরক্লিবনি। মসিগী য়ূম্ফম অসিবু ইরায় লায়না থুগাইনবা হোৎনবা হায়বসি খ্বাইদগী চুমদবা অমনি হায়না ইন্দিয়ানা খঙলিবনি। মপানগী শাফু কয়াগা ইতিন্নদুনা ১৯৮০ অদুৱাইদগী এসিয়াদা অনৌবা গোল্ডন ত্রাইএঙ্গল লৈবাক অমগী মঙলান শাগৎতুনা লাকখিবা ময়ূম মকৈ লৈতবা, শাগুম্বা হায়সিরা নৎত্রগা শাহিং চাবদগী হেন্দোক্তুনা মীহিং চাবা কার্নিবাল খূৎপু অমা নৌনা থুংলদুনা চথরিবা তৌহৈদবা থৌওংশিং অসিদগী হেন্না লানবা লীচৎ চাংদম্নফম লৈত্রে। মসিগী ৱায়েল ইন্দিয়া লৈঙাক্লা তপ্না তপ্না শোয়দনা তৌরক্কনি। থুগাইবা নৎত্রগা মুথৎপা ঙম্লোইদবা খুন্নাই অমদা লঙজরিবা মরালগী মতিক চাবা ৱায়েল শোয়দনা ফংগনি হায়বসি ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুশননা লেঙদ্রবা য়ূম্ফমনি।

হৌজিক্কী ২১শুবা চহীচাদা চন্নফম লৈত্রবা অনৌবা লৈবাক অমগী মঙ মঙলিবা শামরক-ঙামরক্কী কাঙলূপ অসিনা লম পীয়ু হায়বগী লালহৌ তৌরম্লগা চেঙ বেগ অমা ফংনবা চথরিবা হিংশা অসি মালেমগী মীয়াম্না খঙবা হৌরক্লি। টেররিজম হায়বসিগী মফম থমদনবা মালেমগী লৈবাক খুদিংনা হোৎনরিবা মতম অসিদা টেররিজম্বু কলচর অমগুম চথরিবা মী মানবা শাশিং অসিগী মথক্তা ৱায়েল চথরক্লনি। শাগী ৱাখল চেনবা ঐখোয়গী ইরক্তা লৈরিবশিংসু, মী মহিকশিংসু চৈরাক্কী চাকথুং শোয়দনা ফংগনি। অচুম্বনা মতম পূম্নমক্তা মায় পাকই হায়বসি নুমিৎ থানা লৈরিমখৈ লেঙদনা অসুম লৈহৌগনি। ●

# কদোমদনো ইমা মণিপুর


**- রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -**


ইমা নঙগী নচা চীংবুরোই-তম্বুরোই কয়া অসিনা থেংনরিবা, মায়োক্নরিবা কুইরেদা হৌজ থেঙ্খাং কয়াদা ইমাসু মায়থোঙ খেগুম লাং, নপারি-নমোম কয়াসু ফাজিল্লবা খূৎ, পুনশিনবীরবা খোঙ, ঐখোয় পূম্নমকপু ঙাকপী শেনবীনবা লৈরিবা সেন্টর অমদি ষ্টেটকী লৈঙাকসু মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক পায়খৎপা উদবনা লমদম অসিগী চীংবুরোই-তম্বুরোই অনীগী মরক্তা উতাংবীনা উপালগী শক্তমবু নোংম-নোংমগী মাঙশিল্লকপা মতমদা লৌ মপুবু য়োংনা তানবদা খোঙ্গ্রাই চন্দুনা লৈরিবা লমদম অসিদা ঐখোয় কয়াম কুইনা খাঙখো হায়বনো? মীয়ামগী পূন্সি, লন-থুম অমদি ঙাকপী শেনবীবগী মহুত্তা কুম্মৈ য়েংদুনা লৈবা মওংদা চহী অহুম হেনখ্রে। ঐখোয়বু মীওইবা মী ওইনা উবা অদুগা নারোলদগী হুরান-লোনাদা ঙমখৈ ৱাংমদগী লাকপা কুকি নার্কো টেররিষ্ট হুরান-চিন্থি, লুট-পাৎ তৌবদা খুমাঙ চাওশিল্লবা, মসিদা নত্তনা মীনুংশি মচেৎ অমা ফাওবা য়াওদনা মীহাৎ-মীপূন তৌবদা হালেংবা লৈত্রবা হিংচা য়াইতম্বা, শারমচৎ চৎপা, মশাগী হৌরকফম লৈতবা শা মখলশিংনা চথরিবা ক্রাইম কয়া অসিবু আইনগী ওইবা থবক লমদম অসিগী লৈহৌমী চীংবুরোই, তম্বুরোই খুদিংবু লৈতাফম খঙদনা লৈহনবসিবু কয়াম কুইনা থন্বীখিগে হায়বীরিবনো।

ঐগী লৈকায়, ঐগী খুঙ্গং, ঐগী ষ্টেটতা থোকপা থৌদোক ৱাথোক পূম্নমক লৈকায়দুগী মীয়াম্না খঙই, কনানো হুরানবা, কনানো শাধু, কনানো মীনুংশি চাউবা, কনানো হিংচা-য়াইতম্বা, কনানো মীহাৎ-মীপুন তৌরিবা চাং ৱাংনা খঙবনা অয়াম্বনি। খুঙ্গংদসু, ষ্টেটতসু মসি মঙাই। মসিগা চপ মান্নবা মওংদা লমদম অসিদা পোকপা, লমদম অসিগী লৈহাওদগী চাউরক্লবা লৈঙাক্কী মতেং পাংলিবা সিক্যুরিটিদা লৈরিবা খোঙমীদগীনা সেনা ফাওবা লৈরিবনি। কন্সটেবলদগীনা মথং মথং হেদ কন্সটেবলদগীনা এ এস আই, এস আই, ইন্সপেক্টর ফাওবদি চাদা চাম্মদি লমদম অসিগী লৈহাওদগী শাগোন্নদুনা চাউরকপা ঙাক্তনি। মসিগী মথক্তা মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিশননা লৌবা কম্বাইন্দ কম্পিটিটিভ এগজামদা মায় পাল্লবা লাইরিক লাইশু মতিক চানা হৈরবা এম পি এস কয়া অমা দি এস পি, এদিশনেল এস পি, এস পি, সিনিয়র এস পি, দি আই জি, আই জি কয়াসু লৈরিবনি। মখোয় পুল্লপকী টিম ৱার্কনি, থিজিনবা-হুমজিনবা কনানা কনানো, কনানা করি তৌরি পূম্নমক খঙদুনা লৈরবা লমদমশিংগী মপারি মমোম কয়াগী টিমনি। ৱাথোক অমা থোক্লবা, থৌদোক অমা থোক্লবা ৱাহৌদোক অমা শোয়দনা লৈগনি। মদুগী অফবা ওইরগনা তুংকোইনগী চৎনহৌনবা লৈঙাক্লা ঙাকপী শেনবীবা হৌনশানি। ফত্তবা য়ৈখাই থিনগাইবা লৈবাক ৱাথোক ওইবা, ওইগদৌবা ওইরগদি অথুবদা ৱারোইশিন ওইনবা হোৎনবদা লৈঙাকপু মতেং পাংবীরিবা লমদম অসিগী ষ্টেট ফোর্স ওইরিবা মণিপুর পুলিসকী য়াম্না চাউরবা থৌদাং লৈ। মসি নত্তবদা খুদিংমক মপাল লমগী তোঙান তোঙানবা আইনবু মতেং পাংলিবা এজেন্সীদা শিন্নবগী কান্নবসু লৈরম্বা য়াই। কান্নদবা য়াম্না ইফেক্টিভ ওইদবসু লৈরম্বা য়াই।

মফম অসিদা মীহৎ-মীপূন তৌরম্লগা খুদক খুদক্তা ষ্টেট ফোর্সনা এক্সন-টেকন তৌহৌদনা মপানগী লোবু মতেং পাংলিবা ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সীশিংদা শিন্নবা হায়বা অসি ঙমখৈ ৱাংমা লান্না চেনখিনবা চৎখিনবগী কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংগীদি হেন্না খুদোংচাবা পীবনি। ২০২৩দগী ঙসি ফাওবদা মণিপুর ইমাগী মপারি মমোমশিংদা পীরিবা চৈফু চৈথেং অসিদা লৈঙাক্লা তৌখিবা করম্বা থবক অমদা চীংবুরোই তম্বুরোই কনা কনা পেনবা য়াওরমগনি। শিরে মৱাচা এক্স-গ্রেসিয়া, এক্স-গ্রেসিয়ানা থৱায় লৈবা য়াব্রা, মচা নুংশিবা হল্লকখিদ্রা? হিংমিন্নরিবা য়ূম্বালমিন্নরিবা নুপা-নুপী লৈমিন্নরম্লগা ঈরাং অসিনা ভিক্টিম ওইহনবীখ্রবা ইমুং অমা নুপা নৎত্রগা নুপী লৈখিদবা মতমদা করিনো ইমুং অদুনা ওইহৌগদৌবা, তুংদা থেংনরক্কদৌবা প্রোব্লেম কয়া অদু নাম্মা হাংলবা পূন্সিগী অৱাবদুসু ঙমখৈ লৈতবা ঙাক্তনি। চহী অহুম হৌখ্রে তম্পাক লমদা তারিবা মীতৈ খুন্নাইবু অতম্ননা হাৎপা-তুপ্পা, নীংতম্না চৎথোক চৎশিন য়াহন্দবা, নেশনল হায়ৱে অনীদা চৎপা য়াদবনা অনা লায়েং, মহৈ মশিং তম্বা, ধর্ম্মগা মরী লৈনবা হরিদ্বার, বৃন্দাবোন, পুরিগী জগনাথ লাইশঙ, কোলকতাগী নদ্বিপ চৎপা ফাওবা মথক্কী লম্বী নত্তনা পান্থে লৈহন্দবা কয়া অসিবু য়েংদুনা লৈরিবা খাঙবা ঙল্লিবা ঐখোয়গী সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক অসিবু লৈঙাক্লিবরা, কুম্মৈ য়েংলিবরা হংবা য়াবা ৱাহং অমা ওইরবনি।

লমদম অসিগী লৈহাওদগী চাউরক্লবা পুলিস ওফিসর কয়া অমা লৈরি। মসিগী মথক্তা আই এ এস, এম সী এস কয়া অমসু লৈরিবনি। মখোয় খুদিংমক বুধি লৌশিং লৈবা, ৱাখল মতিক চানা লৈরে হায়দুনা লৈবাক ঙাকপদা য়াওরক্লবা কয়ানা লৈঙাকপু মতেং পাংলিবনি। ৱাথোক অমা থোকপা, থৌদোক অমা থোকপা মতমদা অচুম্বনা অরানবনা কনানো শোয়দনা মখোয় পূম্নমক্লা খঙলমগনি। মীতৈ খুন্নাইবু কৈবুল চন্দুনা চহী অহুম চুপ্পা থম্লগা করি তোংজবা লৈবগে। ঙসি টামিল নাদুদা, কেরলাদা, মহারাষ্ট্রদা, টেলঙ্গনাদা, গোৱাদা, অন্ধ্র প্রদেশতা, মধ্য প্রদেশতা, ঝারখণ্ডদা, ওড়িষাদা, বেঙ্গলদা, বিহারদা, ছটিশগরদা, গুজরাটতা মখোয় মখোয়না কন্ত্রি অসিগী কেপিটেল ওইরিবা দেল্লীদা লাকপা মতমদা মণিপুরগী মীতৈনা থেংনরিবা অসি থেংনবা ওইরল্লো মখোয় মখোয়গী ষ্টেটশিং অমদি ইন্দিয়াগী লৈঙাক্লা চহী অহুম চুপ্পা য়েংদুনা লৈবা ঙম্লগদ্রা? নুমিৎ নীনি হুম্নিগী মনুংদা হিংশা তৌরিবা খুদিংমক লাকশিনবা ঙম্লমগনি। শুফম নোম্ফম অমদি শেল তানফম ঙমহন্দ্রগা নোংমা নোংমগী লায়রহল্লগা মীয়ামগী চাকখাওগী রিমোট পায়দুনা শান্নবসিদি পূম্নমক্কী লাইবক থীবনি।

তৌররোই হায়না তৌদবনা ৱাফম অমনি। খরসু তৌবা মানবা তৌদবসু মানবা ৱাওই থুমওইদবগী মওং অসিদি মীতৈ খুন্নাইসিবু মূথৎলগে, মালেমগী লৈমায়থক অসিদগী হায়বা মওং মানবসু ওইররোই খনবা য়াওদবা নত্তে। মীহাৎ মীপূন থৌদোক ৱাথোক খুদিংমক ষ্টেট অসিগী লৈহাওদগী পোল্লকপা চাউরকপা মতিং লৈবা কয়া অমা ষ্টেট ফোর্সতা লৈরিবা অসিবু থিগৎহনবা, থবক অদুদা মায়পুননা য়েংশিনহনবা য়াদবদৌনা হেক হায়রুরগনা সী বি আই, হেক তৌরগা এন আই এ হৈরম্লোই-খঙলম্লোই হায়বা নত্তে। লমদম অসিগী মীওইশিংদি লমিৎ তুমিৎ খুদিংমক খঙগনি। ঐগী লৈকায়দা কনানা অফবনো, কনানা ফত্তবনো পূম্নমক ঐনা খঙবগুম্না ঐখোয়গী লৈরিবা ষ্টেট সিক্যুরিটিশিংনা শোয়দনা খঙগনি। চহী অহুম অসিদা মপুরোইবা কায়নরবী কয়া, মাগী মাগী লোয়নবী শেৎনরবা কয়া, মচা-মনাও, মপু-মবেল, মমা-মপা কায়নরবা কয়াগী মীকপ মীরাওখোলগী তেংথা খোলদগী হেন্দোক্লগা লন-থুম, ময়ূম-ইস্কোল মাঙলবা কয়া অসিবু মাগী-মাগী য়ূম্ফম অদুদা হঞ্জিলহন্নবা হোৎনবীরগা খুন্দা লৈতাহনবা য়াদবরা? মশা মশাগী য়ূম-ইস্কোলদগী হেনবা করি অমুক লৈগনি। হায়নরিবনি হোম স্বিট হোম। শোয়খিবা লানখিবা শেমদোক্লবা চুমথোক্লবা হোৎনবা মথৌ তাই। অদুগা অমুক তোন্বা, চাউবনা শোয়রে হায়দুনা হঞ্জিন হঞ্জিন চিংথোক-চিংথোক্লগা ঙাঙবসু অফবা খোঙথাং নত্তে।

ইন্দিয়া পাক চাউই, মীশিং য়াম্মী, তোঙান তোঙানবা ধর্ম্ম, লাইনীং-লাইশোন তোঙানবা কয়ানা পুল্লগা শেন্বা ইন্দিয়ানি। ধর্ম্ম অমদা, লাইনীং অমদা পুল্লপ পুনশিনবা অদুদি শুকওই ওইথোক্লোই। মমা-মপা অমনা পোকপা মচিন মনাও ফাওবা মানা মানা পাম্বা লাইনীং লম্বী চৎখিবদা কনা কনাবুসু চৈ পায়দুনা থিংবা ঙম্বা য়াবা নত্তে। মীখল মতমদা মানা মানা পাম্বা পার্টি অমদি অপাম্বা মীহুৎ খঞ্জসনু। মদুদা কিহন খংহনবা তৌফমদা থবক্লি। মীখল লোইরগা অতোপ্পা পার্টিগী ফিরাল মৈ থাবা, ওফিস য়ৈখাই থিনগাইবা, পোৎ চৈ কয়া মাঙ তাকহনবা মদুসু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশননা অয়াবা পীবা নত্তে।

ইমা লৈবাক মণিপুর অদুঙৈগী মীতৈ অৱা লান চহী তরেৎ খুন্তাকঙৈগী ৱারীদি মীরৈবাক মীরমদগী লান তারকপনি। অদুগা ঙসিনা ইমাগী স্কৱার কিলোমিটর ২২,৩২৭কী মনুংদা লৈশিল্লগা লৈফম চাফম পীদুনা চাকথাক হুন্দুনা য়োক্লগা চিক্লনবা হূই লোয়বগুম্না লোয়রিবা মসিবু ইন্দিয়াগী করম্বা ষ্টেটশিংদা তৌনরিবগে। হায়রে ৱাতাথি, হায়দরে ৱা মাঙবা হায়দুনা চিন লৈসু ফাজিন পুনশিনবগী মওংদা থন্বীরি। মরক অসিদা টিভি দিস্কশনশিংদা মসি তৌরবদি ৱাথোক অসি লোইশিনগনি হায়দুনা সজেশন কয়া পীবসু য়াওদবা নত্তে। অখঙবা অহৈবা কয়ানা মাগী মাগী ওইবা ৱাখল্লোন কয়া ফোঙদোক্লরি। থবক ওইনা ওন্থোকপীগদৌবদি ঐখোয়গী ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইরুবনা ইন্দিয়াগী শক্তি লৈবা মালেমগী অহুমশুবা ফিদা কল্লিবা অসিনা অমদি হকথেংননা উরিবা তারিবা খঙলিবা মণিপুর লৈঙাক অনী অসিনা তৌগদৌবা থবক ঙাক্তনি। ঐনা পেন্দ্রে, শাওনীংই হায়দুনা উতুপ ৱাতুপ পায়দুনা ৱারোইশিন পুরক্কদৌবা নত্তবনা লৈতাফম খঙদ্রবা ইমা মণিপুরী চহী লিশীং কয়াদগী খুন্দা লৈতামিন্নরক্লবা লৈহৌমী/য়েলহৌমী চীং অমদি তমগী মীয়াম অসিগীদমক ইমা মণিপুরনা লৈতাফম খঙলক্তা হৌজ থেঙ্খাং য়াম্লক্লে। কদোমদনো ইমা মণিপুর। ●


পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।